

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, MONDAY, SEPTEMBER 25, 2017 PAGE 7


*কোরিয়া ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী লাটভিয়াগী জেলেনা ওস্টাপেনকো*

*বর্লিন মরাথোনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন কেনিয়াগী এথলিট ইলিয়ুদ কিপচোগে*

## স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমসুং দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেননা মথংশিংনা জপান ওপনগী নুপী অমসুং নুপাগী বেদমিন্টন সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



*জপান ওপন গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টনগী নুপী অমসুং নুপাগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা মারিন (ওই) অমসুং ভিক্টর*

*টোকিও, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ*

জপানগী কোনুং টোকিওদা চথরিবা জপান ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু মথংশিংনা স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমসুং দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেননা লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি টোকিওদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুদা স্পেনগী মমাংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইবা ঙল্লম্লবী লোয়ননা বর্সেলোনাগী ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডলসু ফংবা ঙমখ্রবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা চাইনাগী হি বিংজিয়াওগা লম্বা তৌনবদা কা হেন্না প্রেসর লৈতনা ফাইনেল মেটচ অদু গেম ২–০দা মায়পাকখি।

নিংশিংবা য়াই কেরোলিনা মারিননা সেমিফাইনেলদা জপানগী নোজুমি ওকুহারাগা শান্নগদবা মেটত অদুদা ওকুহারা শান্নবা ঙমখিদবদগী কেরোলিনানা ৱাল্ক ওভর ফংখিবনি।

অমরোমদা চাইনাগী হি বিংজিয়াওনা মহাক্কী সেমিফাইনেলদা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই চেন য়ুফেগা লম্বা তৌনবদা ২১–১৪, ২৬–২৩দা মায়পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুদা হি বিংজিয়াওগী মায়কৈদগী য়াম্না মান্নবা মওংদা লম্বা পীরক্তুনা পোইন্ট ইন্নদুনা লৌবা হৌরকখি।

শান্নরোই অনীনা পোইন্ট ২১–২১ ফাওবা মান্নদুনা লাকখিবদগী য়াম্না নুঙাইরবা তাঙ্কক অমদা লাকখি। টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী হি বিংজিয়াওবু অহানবা গেম অদুগী থংনবা পোইন্ট ২ লৌবা ঙমখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু ২৩–২১দা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

নুপীগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা গেম অদুদদি চাইনাগী শান্নরোই হি বিংজিয়াওবু স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা হৌবদগী হৌনা য়াম্না ফজবা হেল্লকপদগী পোইন্ট ২১–১২দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী ভিক্টন এজেলসেনগা মলেসিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা লি চোং ৱৈগা লম্বা তৌনবদা এজেলসেননা গেম ২–১দা মায়পাকখি।

নিংশিংবা য়াই সেমিফাইনেলদা এজেলসেননা সাউথ কোরিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা সোন ৱান হোবু য়াম্না কোম্না ২১–১৬, ২১–১৬তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

নাকল অমরোমদা মলেসিয়াগী লি চোং ৱৈনা মহাক্কী সেমিফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোই সী য়ুকিবু ২১–১৯, ২১–৮দা মায়থিবা পীরমখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম ভিক্টর এজেলসেননা লি চোং ৱৈবু ২১–১৪দা মায়থিবা পীখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা মলেসিয়াগী শান্নরোই লি চোং ৱৈনা য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা এজেলসেনবু ২১–১৯দা মায়থিবা পীদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা দেনমার্ককী শান্নরোই অদুনা কা হেন্না ৱাদনা ২১–১৪দা মায়থিবা পীদুনা জপান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।


টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ডবলসকী ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মার্কস ফর্নাল্ডি জিদিওন অমসুং কেবিন সঞ্জায়া সুকামুলজোনা জপানগী টাকুটো ইনোয়ি অমসুং য়ুকি কানেকোবু স্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১২, ২১–১৫দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র ওইরিবা জপানগী মিসাকি মাটসুটোমো অমসুং অয়াকা টাকাহসিনা সাউথ কোরিয়াগী কিম হা না অমদি কোং হি য়োংবু ২১–১৮, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা চাইনাগী ৱাং হিলু অমদি হুৱাং দোংপিংনা জপানগী টাকুরো হোকি অমদি সয়াকা হিরোতাবু ২১–১৩, ২১–৮ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

## চহী ১৬ মখাগী এএফসি চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফাইয়র মেটচ অমদা ইন্দিয়া অমসুং ইরাক পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

*কাঠমান্দু, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ*



*ইন্দিয়া অমসুং ইরাকনা কাঠমান্দু সিটিদা লৈবা হালচোক ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ 'দি'গী অরোইবা মেটচ শান্নখিবা*

কুমজা ২০১৮ তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী ঙসি নেপালগী কোনুং কাঠমান্দুদা লৈবা হালচোক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি) গী মেটচ অমদা ইন্দিয়া অমসুং ইরাক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

পনবা য়াবদি গ্রুপ (দি) অসিদা ঙসিগী মেটচ অদু য়াম্না মরুওইখিবনি। মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইখিবা ইরাক মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা লাকখিবনি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী টিম মেটচ ২ শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪ ফংলকখি।

করিগুম্বা ঙসিগী মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা মায় পাকপা ঙল্লম্লবা গ্রুপ অদুগী মকোক ওইদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অদুগীদমক ক্বালিফাই ওইরমগদবনি।

নাকল অমরোমদা ইরাক্কী টিম্না ইন্দিয়াগা শান্নবা ঙসিগী মেটচ অদু দ্রো চৎলবা ফাওবদা অদুমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। মরম অদুদা ইন্দিয়ানা মায় পাক্লবা হোৎনরকপা অমদি ইরাক্না মেটচ অদু মায়থিদনবা শান্নরকপনি।

শান্নবা অদুগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বেকি ওরামনা ওইথংবা মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা ইরাক্কী গোল তম্না য়ৌশিল্লক্লবা মতুং কাউশিনখিবদা মহাক্কী সোট অদু শক্তি ৱাংখিবদগী ইরাক্কী গোল কিপরনা অশোয় অঙাম য়াওনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

মায় পাক্লবা কন্না হোৎরকখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা হাল্ফ অদু লোইগদবা মিনট ৩ লোমতমক ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়াগী ভিক্রম প্রতাপনা বোল অমা পুশিল্লক্তুনা খাইদোরকপদা রিকি সবোংনা ফংদুনা কাউশিনখিবদা বোল অদু ইরাক্কী গোল কিপর মশামক্তা চুমদ্রিং চংখিবদগী পাঞ্জল ওইহৌদবনি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী বেকি ওরাম্না শুইশোয় শোয়দনা পাঞ্জল ওইরমগদবা তাঞ্জা অমা লায়না মাঙহনখি।

মহাক্না ফংখিবা বোল অদু ইরাক্কী পেনাল্টি বোক্স অদুদা গোল কিপর অদুখক লাম্থোক্লগা পাঞ্জল ওইরগদবা তাঞ্জা অদু মাঙজখিবনি।

মেটচ অদুগী ৬২ শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অদু রবিনা ওইথংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা বোল অদু সেন্টর তম্না খাইরকপদা বোল অদু কলেক্ত তৌনবা শান্নরোই লৈখিদবদগী তাঞ্জা অদুসু মাঙজখি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুগী কোচ বিবিয়ানো ফর্নাদেন্দজনা ৭৬ শুবা মিনটতা হরপ্রিত সিংহবু চঙলহক্তুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখি । ৮২ শুবা মিনটতা হরপ্রিতনা মথন্তনা পুশিল্লকপা বোল অমা ইরাক্কী পেনাল্টি বোক্স য়ৌশিল্লকখি। অদুবু ইরাক্কী গোল কিপর অদুনা অশোয়–অঙাম য়াওনা বোল অদু পাঞ্জল ওইহনখিদে।

শান্নবা লোইরমদাই অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লৈজবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখি। অমরোমদা ইরাক্কী মায়কৈদগী দিফেন্দর মশিং হেনগৎহন্দুনা ইন্দিয়াগী এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওইহনখিদে।

মেটচ অদু দ্রো চৎখিবদগী ইরাক গ্রুপ (দি) দগী পোইন্ট ৭ ফংলগা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৬ মখাগী এএফসি ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইখি। অমরোমদা গ্রুপ অসিদা অনীশুবা পোজিসন তাহৌরবা ইন্দিয়ানা অতোপ্পা এসিয়াগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা শান্নরিবা গ্রুপশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা অনীশুবা পোজিসন তাবশিংগী মনুংদা করিগুম্বা টিম অমা ওইরক্লবদি ক্বালিফাই ওইবা ঙমগদৌরিবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়াবু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৌখ্রে

*ইন্দোর, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ*



ইন্দিয়াদা ওষ্ট্রেলিয়ান ক্রিকেট টিম্না লাক্লিবা টুর অসিগী মনুং চন্না ঙসি মধ্য প্রদেশকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লৈবা হোলকারক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা ৱান দে মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৫ দা থোইদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ অদু মেটচ ৩–০ দা মাঙজিল থাবগা লোয়ননা লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন ষ্টেবন স্মিথনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকখি। মখোয়গী ইন্নিংস দেবিদ ৱার্নর অমসুং আরোন ফিন্সনা হৌদোরকপদা রন ৭০ গী পার্টনর্সিন অমা শেমখি। ৱার্নর বোল ৪৪ দা রন ৪২ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

কেপ্টেন স্মিথ অমসুং ফিন্সনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদা য়াম্না ফজবা মওংদা রন ১৫৪ হাপচিন্দুনা অপুনবা স্কোর অদু ২২৪ য়ৌহল্লকখি। ফিন্স বোল ১২৫ দা সিক্স ৫ অমদি ফোর ১২ য়ৈরগা রন ১২৪ লৌখিবা অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মপুং ওইবা স্কোর ওইখি।

মহাক আওট ওইখ্রবা মতুং কেপ্টেন স্মিথসু রন ৬৩ দা আওট ওইদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অহুমশুবা ৱিকেট ২৪৩ দা তুখি। মখা তানা রন হাপচিন্দ্রিঙৈ ওষ্ট্রেলিয়াগী গ্লেন মেক্সৱেল রন ৫ দা আওট ওইখি। লেমহৌবা ওভর ৮ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ৩ রন ৫০ হাপচিল্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্নিংস অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২৯৩ দা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং চাংচৎতা ফজখি। কুলদিপ যাদব অমসুং জস্প্রিট বুমরাহ ৱিকেট ২। ২ লৌখি। অমরোমদা য়ুজবেন্দ্র চাহল অমসুং হর্দিক পান্দিয়া ৱিকেট অমমম লৌখি।

মায় পাক্লবা রন ২৯৪ অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৪৮ শুবা ওভরদা ৱিকেট ৫ তুরগা লৌদুনা থোইখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অজিনক্য রহানে অমসুং রোহিট শর্ম্মনা য়াম্না ফজবা মওংদা বোল মাঙহন্দনা রন লৌবা ঙল্লকখি। ওভর ২১ ফাওবা মখোয় অনীমক আওট ওইদনা শান্নদুনা অপুনবা স্কোর অদু ১৩৯ য়ৌরকখি।

২২ শুবা ওভরগী ৪ শুবা বোলদা রোহিট শর্ম্ম বোল ৬২ মায়োক্নবদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরম্লগা রন ৭১ দা আওট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোলি অমসুং রহানেনা ইন্নিংস মখা চথরকপদা রন ৮গী পার্টসিপ অমগী মতুং অজিনক্য রহানে বোল ৭৬ তা ফোর ৯ য়ৈরম্লগা রন ৭০ দা আওট ওইখি।

মরিশুবা বেটসমেন হর্দিপ পান্দিয়া অমসুং ভিরাট কোলিনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৫৬ হাপচিন্দুনা ৩৫ শুবা ওভর অদুদা ইন্দিয়াগী রন ২০০ লাম্থোকপা ঙমখি।

মশাগী রন ২৮ দা ভিরাট কোলি আওট ওইখি। ইকান কান্নদনা নৌনা চঙলকখিবা কেদর যাদব রন ২ দা আওট ওইখিবদগী মনিস পান্দে শান্নবা চঙলকখি।

মহাক্না পান্দিয়াগনা ৫শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদা রন ৭৮ হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ২৮৪ শুদুনা মায় পাক্কদবা লম্বেল নকশিল্লকখি।

পান্দিয়া বোল ৭২ দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৭৮ দা আওট ওইখি। পান্দিয়াগী মতুং হান্না কেপ্টেন ওইরম্বা মহেন্দ্র সিং ধোনি শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না পান্দেগনা মখা তানা আওট ওইদনা ৪৮ শুবা ওভরগী ৫ শুবা বোলদা মায় পাকপগী রন ২৯৪ অদু লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৫ দা অহুমশুবা ৱান দে মেটচ অদু থোইদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ অদু ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা সেরিজ অদু লৌবা ঙমখিবনি।

## দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিনা জপানদা পাঙথোকপা টোরে পান পেসিফিক ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*টোকিও, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ*



জপানগী টোকিও সিটিদা লৈবা আট অরাইকে কোলিসিয়মদা পাঙথোকপা টোরে পান পেসিফিক ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেনটকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা দেনমার্ককী কেরোলিনা ৱোজনিয়াকিনা রুশিয়াবু অনাষ্টেসিয়ানা পাব্লিয়ুচেনকোভাবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী কেরোলিনা ৱোজনিয়াকিনা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৬–০ দা মায়থিবা পীরমখি। অমরোমদা রুশিয়াগী অনাষ্টেসিয়ানা পাব্লিয়ুচেনকোভানা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৭শুবা সিদেদ ওইখিবী এঞ্জেলিক কর্বরবু ৬–০, ৬–৭(৪–৭), ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট কেরোলিন ৱোজনিয়াকিনা রুশিয়াগী পাব্লিয়ুচেনকোভাবু য়াম্না লাকচনা সার্ভিস গেম অহুমক ব্রেক তৌদুনা ৬–০ দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতদি পাব্লিয়ুচেনকোভাগী মায়কৈদগী ফজরক্তুনা ৱোজনিয়াকিবু লম্বা কন্না পীরকখি। ১০ শুবা গেম লোইশিল্লবা ফাওবদা শান্নরোই অনীমক গেম ৫–৫ মান্নদুনা লৈখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী ৱোজনিয়াকিনা ১১শুবা অমদি ১২ শুবা গেম অদু থোইদুনা ৭–৫ অনীশুবা সেট অদু মায়পাখিবদগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা কোরিয়াদা পাঙথোক্লিবা কোরিয়া ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লাটভিয়াগী জেলিনা ওস্টাপেনকোনা লৌখি।

ওস্টাপেনকোনা মহাক্কী ফাইনেল মেটচ অদুদা ব্রাজিলগী শান্নরোই বিত্রিজ হদার্দ মায়াবু সেট ২–১ দা থোইবা ঙমখি।

অহানবা সেট অদু নাকল অনীদগী য়াম্না লম্বা মান্নবা মওং দা শান্নদুনা গেম ১২ ফাওবা গেম ৬–৬ থোইনদুনা টাই ব্রেকতা সেট অদু মখা তারকখি। টাই ব্রেক অদুদা ব্রাজিলগী হদার্দনা ৭–৫ দা থোইদুনা অহানবা সেট লৌখি।

অনীশুবা সেটতদি লাটভিয়াগী জেলিনা ওস্টাপেনকোনা ব্রাজিলগী বিত্রিজ হদার্দকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা শান্নরোই অনীনা সেট অমমম মায় পাক্কদুনা অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদু শান্নবগীদমক শেম শাখি। অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ওস্টাপেনকোনা হদার্দকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা অরোইবা সেট অদু ৬–৪ দা থোইবদগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।


টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্স অমসুং স্বিদেনগী জে লার্সনগী পেয়রনা থাইলেন্দগী পেয়র এল কুমখুম অমসুং পি প্লিইসবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল ফংখি।

অহানবা সেট অদু টুর্নামেন্ট অদুগী নম্বর ৱান সিদেদ বর্টেন্স অমসুং লার্সননা কুমখুম অমদি প্লিপিসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইখি।

অদুবু অনীশুবা সেটতদি বর্টেন্স অমসুং লার্সকী পেয়রনা থাইলেন্দগী পেয়র অদুবু য়াম্না লাকশিল্লকপদগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌখিদুনা ৬–১ দা থোইখিবদগী নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী সসিকিরন এসিয়ান ইন্দোর গেমসকী চেছতা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে

*অজগাবাট, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ*



টুর্কমেনিষ্টানগী সিটি অজদাবাটতা শান্নরিবা এসিয়ান ইন্দোর গেমসকী দিসিপ্লিন অমা ওইরিবা চেছ মশান্নদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কে সসিকিরন ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই গ্রান্দমাষ্টর কে সসিকিরননা ৩শুবা সিদেদ ওইনা এসিয়ান ইন্দোর গেমস অসিদা শরুক য়ারকপনি। ক্লাসিক ফোর্মেট অসিদা ইন্দিয়াগী সসিকিরননা পুন্না পোইন্ট ৫ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবা ভিয়েটনামগী লি ক্বাং লিয়েম অমসুং সিলভর মেডল ফংখিবা চাইনাগী লু শাংলৈদগী পোইন্ট মখাই হন্থরগা লৈখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সুর্য্য সেখর গঙ্গুলি পোইন্ট ৪.৫ ফংলগা মাপলশুবা পোজিসন তাখি। নুপীগী কাংলুপ্তা চাইনাগী টান ঝোংগিনা পোইন্ট ৬ ফংলগা গোল্ড মেডল ফংখি। লোয়ননা লৈবাক অদুম্মক্কী শান্নরোই লৈ টিংজৈনা পোইন্ট ৫.৫ ফংলগা সিলভর মেডল অদু ফংখি।

নুপীগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা কজাক্সটানগী শান্নরোই দিনারা সাদোকাসোভানা পোইন্ট ৫ ফংলগা লৌখি। কাংলুপ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই এস বিজয়ালক্ষ্মি অমসুং টানিয়া সচদেব মথংশিংনা পোইন্ট ৫ অমসুং ৪ ফংখিবদগী ৭শুবা অমসুং ১১শুবা পোজিসন তাখি।

## ওবামায়েংগী হেটত্রিক্না বোরুশিয়া দোর্টমুন্দ মায়পাকহনখ্রে

*বর্লিন, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ*



জর্মনিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা মকোক থোংদুনা লৈরিবা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী পিয়েরি ইমরিক ওবামায়েংগী হেটত্রিক্না টিম অদুনা বোরুশিয়া মোনচেমগ্লাবাগপু পাঞ্জল ৬–১দা মায়থিবা পীখ্রে।

ওবামায়েংনা হেটত্রিক অদু শান্নবগী ৪৫শুবা, ৪৯শুবা অমসুং ৬২ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী মেক্সিমিলন ফিলিপনা পাঞ্জল অনী অদুগা জলিয়ন ৱৈগিনা অমা চনবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা ইংলিস প্রেমিয়র লিগকী মেটচ অমদা লিভরপুলনা লৈকেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ৩–২দা মায়থিবা পীখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোইশিং অদুদি মোহমদ সলা, ফিলিফ কোটিনো অমসুং জের্দান হেন্দর্সননি। অদুগা সিটিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি সিঞ্জি ওকাজাকি অমসুং জেমি ভার্দিনি।

স্পেনগী লা লিগাগী মেটচ অমদা বার্সেলোনা জিরোনাবু পাঞ্জল ৩–০দা মায়থিবা পীখি। পাঞ্জল ৩গী মনুংদা অনীদি জিরোনাগী মায়কৈদগী শোয়দুনা চনশিনজখিবনি। অদুগা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী লুই স্বারেজনা শান্নবগী মিনট ৬৯দা চনখিবনি।

ইটালিগী সেরি এগী লিগ মেটচ অমদনা মমাংগী চেম্পিয়ন জুবেন্টসনা টোরিনোবু পাঞ্জল ৪–০দা মায়থিবা পীখি। জুবেন্টসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোইশিং অদুদি পাওলো দিবালা (পাঞ্জল ২), মারিলেম জানিক অমসুং এলেক্স সান্দ্রোনি।